**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 15-05-2025)**

**গভনর(এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা সভাপতি ওইদুনা গভনর ইন কাউন্সিলগী মীফম ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি, কম্মিসনারশিং, রাজ্যপালগী সেক্রেটরি অমসুং তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী সেক্রেটরিশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা প্রস্তাবশিং খন্নবগা লোয়নননা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়নননা এদমিনিষ্ট্রেসন ফগৎহনবা অমসুং লৈঙাক সাসন হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থবকশিং লৌখৎনবা খন্নখি হায়রি। খন্ন-নৈনবা অদুদা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

মনিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা সাইকল থৌফম ভেলোড্রোম অমসুং ফেন্সিং কোর্ট মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎনবগী মতাংদা খন্নখি। ইং ২০২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৯ শুবা নেসনেল গেমসতা হায়রিবা মফম অনি অসি শিজিন্নরবা য়াই হায়রি। মেঘালয়না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৯ শুবা নেসনেল গেমস অসিগা মরী লৈননা মেঘালয়া ষ্টেট ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা হায়জরকপদগী ভেলোড্রোম অমসুং ফেন্সিং কোর্ট অসি শেমগৎপগী তঙাইফদবা লাকপনি হায়রি।

রাজ্যপালনা মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টসকী সেক্রেটরি-নাউরেম প্রাবিনদা হায়রিবা মফম অনি অসি শেমগৎনবা লম্বী য়াৎনবা অমসুং মতম চানা লোয়শিনদুনা নেসনেল গেমস অসিগীদমক শেম শাদুনা

লৈনবা খঙহনখি।

অমরোমদা, মাও কেথোলিক এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবু অমগসু রাজ্যপালগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা মাও জাতিশিংগী য়াইফনবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনবদা রাজ্যপালনা মতেং পাংবিয়ু হায়খি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** ওপরেসন অভিয়াসকা মরী লৈননা জিরিবাম অমসুং সেনাপতিদা হয়েং মোগ ড্রিল অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

পুলিস, সিভিল দিফেন্স, ফয়ার দিপার্টমেন্ট, হেলথ, এম.এস.পি.দি.সি.এল, এদুকেসন বিভাগ য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা মোগ ড্রিল অসিনা নোংথক্তগী লান্দারকপা মতমদা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু পায়খৎনবগীদমক্তনি। মোগ ড্রিল তৌরিঙৈ মনুংদা নোংথক্তগী লান্দারক্কদৌরে হায়বগী মাংজোননা সাইরেন খোঙবা, পুলিসকী খুথাংদা মীয়ামদা পাউ পীবা, মতম খরগী ওইনা হোস্পিতাল শেমগৎপা, মীচম হোন্দোকপগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়-জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা মোগ ড্রিল তৌরিঙৈ মনুংদা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌরক্লি।

অমরেমাদা, সেনাপতি মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা মোগ ড্রিল অসিগা মরী লৈননা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলেনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** উমং মৈ চাল্লকপগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না ভাব তাহনবগী থৌরম অমা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা কিয়াম্বা নীংশিং শঙলেন-বিষ্ণুপুরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ফোরেষ্ট ফয়ার প্রিভেন্সন এন্দ মেনেজমেন্ট স্কিম ২০২৪-২৫ গী মখাদা

পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দি.এফ.ও. বিষ্ণুপুর-ৱাইখোং রোমাবাই দেবীনা হায়-ঝুম কলটিভেসন অমসুং লামৈ থাবগী মতম অসি চান্নবনা লামৈ থাবগী থবক অসি য়ারিবমখৈ তোক্লসি।

মহাকা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎতুনা উমং কনবা অমসুং হিংনবগী লন্বী থিবতা নত্তনা অকোইবগী খল ঙাকবা পুন্না হোৎনমীন্নসি।

**চান্দেল(এল)**ঃ শা ঙাদগী মীওইবদা লৌগনবা লায়নশিং খঙহনবা হায়বা হীরমদা চান্দেল দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা চান্দেল জিলাগী জাফৌ ভিলেজতা লৈবা জাফৌ অপর প্রাইমারি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী হেদক্বাটরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল তরুক্কী ওজা অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.এফ.ও. চান্দেল-ডা: এন. মুনাল মীতৈনা হায়-চান্দেল জিলা অসি উমং মরাং কায়না লৈবনা লায়না শন্দোকপা ঙম্বা শা উচেক, তিন-কাং লৈতবা নত্তে। স্ক্রপ তাইফস, দেঙ্গি, রেভিষ্ট অমদি অতৈ ভাইরেল ওইবা লায়নানা নাবদগী মীওইবগী প্ন্সি কয়া মাংলিবনি। মরম অসিনা হায়রিবা লায়নাশিং অসিদগী চেকশিন্না লৈবা হায়বসি তঙাইফদে।

**কাংপোকপী(এল)**ঃ অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কাংপোকপী জিলাগী ন্যু খোকেন খুলদা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। অকোইবগী খল ঙাক শেনদুনা থমবগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না ভাব তাহন্নবা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

**এআর (এল)**ঃ ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদা লৈবা চান্দেল জিলাগী নিউ সোমতাল

খুল ময়াদা অসাম রাইফলসকা খুৎ থোকবদা লালহৌবা ১০ শিরে হায়রি।

পাউ খরনা হায়-খুৎ থোকরিবা জগা অসি খেংজোই ল্লোক্কী মনুং চন্না মোলচাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্নননি। ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈগী বোডর পিল্লর-৬১ অমসুং ৬২ ময়া নকা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম খুৎ থোকবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা লালহৌবা ১০ হাৎখি অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। হৌজিমক্কী ওইনা শিরবা লালহৌবশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। অকুপ্পা পাউ ঙায়রি।

**লাইব্রেরী(এল)ঃ** ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালগী কম্প্যুটর লেব হাংদোক্লে। মসিদা ইন্টরনেট অমসুং ৱাই ফাইগী খুদোংচাবা য়াওনা তঙাইফদবা দোকুমেন্টশিং প্রিন্ট অমসুং দাউন্দলোদ তৌবা য়ারগনি হায়না ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালগী চীফ লাইব্রেরিয়ান-আর.কে. উরমিলা দেবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, রাজ রাম মোহোন রোই লাইব্রেরী ফাউন্দেসন কোলকাটাগী মখাদা লাইরিকশিং পীথবগী থবক চথুরি। মরম অদুনা লাইব্রেরী চল্লাইরিবা এন.জি.ও. অমসুং ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসনশিংনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং ওফিস মতমদা পুরক্কুনা লাইরিক লৌরবা য়াগনি হায়রি।

**য়ুনিভরসিতি(এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দি.বি.টি-বিল্ডর অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ লাইফ সাইন্সেসনা পুন্না শিনদুনা থা অসিগী ৫ দগী চথুরকখিবা নুমিৎ তরানিগী ওইবা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী সেলেবসকা মরী লৈননা কলেজ ওজাশিংগী ওইবা বাইওলোজিকেল টুলস অমসুং টেকিক্কী মতাংদা চথুরকখিবা থৌরম মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টতা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না শরুক য়াখিবা ওজাশিংদা ত্রেন্নিং পীবা খক নত্তনা

অতোপ্পা রিছার্স ইন্সটিটুট্যসনশিংদগী লাকপা ওজাশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, ইং ২০২০ দগী এক্ট ওনদুনা চৎনবা হৌরক্লবা নেসনেল এদুকেসন পোলিসিগী সেলেবসকী মতুং ইন্না বাইওলোজিগী মনুং চল্লিবা বোটানি অমসুং জলোজিগী প্রাক্তিকেল অমসুং থিওরিদা হাপচিল্লক্লিবা অনৌবা পারাশিং অসি মহৈরোইশিংদা লায়না তাকপা ঙমবগীদমক্তনি।

**ফারমাসি(এল)ঃ** ফারমাসি প্রাক্তিস্ত রিগুলেসন্স ২০১৫ হায়বসিগী মতাংদা ফারমাসি ফল্লিবশিংগী ওইবা কাউন্সিল্লিং প্রোগ্রাম অমা লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফারমাসি কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট ফারমাসি কাউন্সিলনা শিনবা থৌরম অদদা শরুক য়ারিবা ফারমাসিশিংদা ফারমাসি এক্টকী গেজেট কোপি য়াওনা তোঙান তোঙনবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা ফারমাসি প্রাক্তিস রিগুলেসন অমসুং অতৈ এক্টশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা গাড়ি থৌরিবশিংনা ত্রাফিক্কী নিতি নিয়ম ঙাকনবা অমসুং লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী ঙাকথোকবা পান্দমদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটর চান্দেলদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথখ্রে। মদুদা হেলমেট উপ্তুনা গাড়ি থৌরকপশিংবু ফাবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চান্দেলনা অহল ওইরবশিংদা হেলমেট খুৎশিন্নখি।

**ভিদিএফ (এল)ঃ** ওল মনিপুর ভি.দি.এফ. ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসননা তাল্লিবা দাবীশিংবু সোসিএল দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন-কাংচুপ ইম্ফাল ৱেষ্ট লমশাংনা শৌগৎলি হায়রি।

চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়-ভি.দি.এফশিংনা মখোয়গী দাবীশিং তা

দুনা ঙরাংদগী চংশিনখিবা পেনদাউন্দ অমসুং গন দাউন্দ খোঙজং অসি কাংচুপ খারমদা লৈরিবা খুঞ্জা পুমমকা শৌগৎলি হায়রি।

**কংগ্রেস(এল)ঃ** বি.জে.পিগী হান্নগী প্রধানশিং অমসুং থৌবাল জিলাগী সিঙা খুলগী বি.জে.পি. লুচিংবশিং ঙরাং কংগ্রেসতা চংখ্রে। ৱাংখেম কেন্দ্রদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মখোয়বু এম.পি.সি.সিগী প্রেসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা তরামা ওকখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুর অসি হৌখিবা চহি কয়াদা পাকিস্তান অমসুং পাকিস্তান ওকুপাইদ জম্মু কাশ্মিরদগী চথরকখিবা টেরোরিষ্ট এটেকশিংগী চপ চাবা পাউখুম পীবনি।

লান্মীগী ১৫ শুবা কোপস বদামি বার্গ কেনটোলমেন্টতা লান্মীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা ওপরেসন সিন্ধুর মায় পাকা চত্থনবা হোৎনবদা ভারত লান্মীনা থৌনা ফনা মায়োকখিববু থাগৎপা ফোংদোকখি।

রাজনাথ সিংহনা হায়-হৌজিক্তি মালেমগী মীয়ামনা দায়ত্ব য়াওদবা পাকিস্তাননা ভারত্তা শিংনরক্লিবশিং উরে। পাকিস্তানদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিংগী মতাংদা ৱাহং হংল্লদুনা মহাকা হায়-পাকিস্তানগী ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিং ইন্টরনেসনেল এতোমিক ইনর্জি এজেন্সিগী মীৎয়েং মখাদা লৌশিনগদবনি। ওপরেসন সিন্ধুরগী মতুংদা রাজনাথ সিংহনা জম্মু কাশ্মিরদা চৎপা অসি ঙসিগী অসিনা অহানবনি।

মহাকা হায়-টেরোরিজম অমসুং ৱারী শান্নবা হায়বসি কৈদৌনুংদসু পুন্না চৎপা য়ারোই। পাকিস্তাননা করিগুম্বা তুংদা ৱারী শান্নসি হায়রবসু পাকিস্তান ওকুপাইদ জম্মু কাশ্মির অমসুং টেরোরিজম হায়বা হীরমসি খক্তদা ৱারী শান্নগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা উপ রাজ্যপাল-মনোজ সিনহা, মুখ্য মন্ত্রি-ওমার

অব্দুলা, লান্মীগী মকোক জেনরেল-উপেন্দ্র দ্বিবেদিনচিংবা শরুক য়াখি।

**জয়শঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ভারত অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা অতোপ্পা লৈবাক অমনা শঙতাইনবগী ৱাফম লৈতে হায়রি। মহাকা হায়-ইস্লামবাদকা মায়োকবা হায়বসি লৈবাক অনিগী মরক্তা ওইগদবনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-পাকিস্তানগা ৱারী শান্নসি হায়রবদি মখোয়না আইন কায়না লৌশিনখিবা ভারতকী লম পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মির লৌথোকপগী মতাং খক্তদা ওইগদবনি। মহাকা হায়-চহি কয়াদগী লৈবাক অসিনা অমত্তা ওইনা হায়রিবা ৱাফম অসি য়ান্নদুনা লাকপনি অমদি মসিদা ভারতকী ফিরেপ হোংবা লৈতে।

শ্রী জয়শঙ্করনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পাকিস্তানগা ৱারী শান্নসি হায়রবসু টেরোরিষ্টকী মরম খক্তা ওইগদবনি হায়না ময়েক শেংনা ফোংদোকখ্রবনি। মহাকা হায়-পাকিস্তানদা টেরোরিষ্ট কয়ামরুম লৈ। মখোয়শিং অদু শিন্নরকপগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈবা টেরোরিষ্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং থুগায়গদবনি।

ভারত অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা নোংমৈ কাপবা অমসুং মিলিটরিগী থবক থৌরমশিং লেপ্পগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-ন্যু দিল্লিনা ইস্লামবাদতা খঙহনখিবা ৱাফমদি-টেরোরিষ্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং খক্তা টার্গেট তৌগনি অমসুং মসিদা পাকিস্তানগী মিলিটরিশিংনা খুৎ থিংজিল্লক্কনু হায়বনি। অদুমওইনমক, হায়রিবা ৱাফম অদু পাকিস্তাননা নাথৈদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। মহাকা হায়-সেটিলাইটকী পিকচর মতুং ইন্না ভারতনা পাকিস্তানগী মফম কয়া য়ামা মাঙ তাকহনখিবগে হায়বদু মদুগী শাক্ষি লৈ।

**পঞ্জাবঃ** পঞ্জাব পুলিসনা দ্রগকী মায়োক্তা চংশিনখিবা ওপরেসন অমদা দিপ্যুতি সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস ফারে।

রাজ্য অদুগী দি.জি.পি. গৌরব য়াদবনা হায়-জেল মনুংদা মোবাইল ফোন পীশিনবা, দ্রগ লল্লোনবগী থবক থৌরমদা মপুং ফানা শরুক য়াবা অমসুং মসিগা মরী লৈননা য়ু.পি.আই. একাউন্টকী খুথাংদা শেল লৌবগীদমক প্রিজন্ট সেক্যুরিতি ইন-চার্জকী থৌ পুরিবা দি.এস.পি. গুরপ্রিত সিংহ্ ফাখিবনি। থিজিনবা অদুদা জেলগী কর্ম্মচারি অমসু ফাবা ঙমখি। চথখিবা ওপরেসন অদুদা পুলিসনা হেরোইন কিলোগ্রাম মরি, শেল ওইনা লুপা লাখ মঙা মখায় অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু য়াওনা পিষ্টোল অমা ফাগৎপা ঙমখি। জেল মনুংদা চথখিবা থিবা হুন্নবগী থবক অদুদা মোবাইল ফোন ৯, স্মার্ট ৱাটস মরি, কাণি গ্রাম ৫০ অমদি অতৈ নিশাগী পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

**জম্মু**ঃ খা থংবা কাশ্মিরগী পুলৱামা জিলাগী অৱনতিপুরাদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা টেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা টেরোরিষ্ট অহুম শিরে।

কাশ্মিরগী আই.জি.পিনা অকাশবানিদা হায়-সেক্যুরিতিনা ঙসি অয়ুক চথখিবা ওপরেসনদা খুৎলায় পায়বা টেরোরিষ্ট অহুম অদু হাৎখিবনি। মখোয়গী হকচাংশিং খুৎ থোকফমদগী লৌখৎপা ঙমলে। অদুমওইনমক, শিরবা মীওইশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। লান্মী, জম্মু কাশ্মির অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবুনা ঙসি অয়ুক নদর ত্রাল লমদমদা থিবা হুন্নবগী থবক চথখিবনি। মদুদা হান্না লোৎতুনা লৈরম্বা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনিগী মরক্তা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

**অমিতঃ** ছাতিসগর অমসুং তেলঙ্গানাগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা করেগুতা চিংশাংদা চথখিবা ওপরেসনদা শোক্লবা সেক্যুরিতিগী মীওইশিং ঙসি গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা চৎতুনা উন্নখ্রে।

নুমিৎ ২১ নি চুপা নক্সলাইটশিংগী মথক্তা চগ্থখিবা ওপরেসন অদুদা শোক্ত্না ন্যু দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা লায়েংলিবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগী ফিভম গৃহ মন্ত্রিনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি।

**কাং(এল)ঃ** ওইনাম কেন্দ্র কাংখুৎ অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মেমোরিএল কেন্দ্রৱাইজ লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চংলে।

লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ওইনাম কাংখুৎনা নম্বোল কাংখুৎপু পাঞ্জল ২৫-১২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ট্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টিম-ইরেংবমনা ৱাই.এস. এফ.সি. খেলাখোঙবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ফার্ষ্ট ষ্টেট লেবেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-হাওরৈবী এফ.সিগা খা-সঞ্জেনবম পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা ড্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-আর.এফ.সি. সঞ্জেনবমনা নহারুপ এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৫ শুবা অস্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-মনিপুর য়ুনাইটেদ এফ.এনা দা য়ঙ ৱেলফিয়ার ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিনদুনা পাঙথোকপা সেকেন্দ প্রিমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়ননা ক্লাসিক ফুটবোল একাডমীবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অনিশুবা মেটচতা-য়ুথ সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** থার্দ এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন, ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকপু রন-১০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ছাতিসগরগী আর.কে.এম. আশ্রম গ্রাউন্দ নরায়নপুরদা চথরিবা নুপাগী অন্দর টোৈন্তি নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মনিপুরনা উত্তর প্রদেসপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।